# লৈবাক মীয়াম্না ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুদা ইকায় খুম্নখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৪(এজেন্সী): লৈবাক্কী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুগী ১২৮শুবা মপোক কুমওন নুমিৎতা ঙসি মীয়াম্না লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

ন্যু দিল্লিগী সান্তি ভানদা লৈবা পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুগী সমাধিদা পোলিটিকেল লীদরশিং অমসুং শরু ্ইরবা মীওই কয়ানা লৈ কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ, ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেনকায়া নাইদু অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পন্দিট নেহরুবু নৌহৌনা নীংশিংখি।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রসিদেন্ট কোবিন্দনা হায়খি, ১২৮শুবা মপোক কুমওন নুমিৎতা জৱাহরলাল নেহরুগী মফমদা কোক নোন্না ইকায় খুম্নবা উৎলি। ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুগী মপোক কুমওন নুমিৎতা লৈবাক মীয়ামদা য়াইফ পাওজেল পীজরি হায়নসু প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখি।

মানিলাদা আসিয়ন সমিট য়াওদুনা লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু নেহরুগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি। ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মহাক্না হায়খি, মপোক কুমওন লাকপদা পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎলি।

গুজরাটতা এসেমব্লি মীখলগা মরী লৈননা ভোট খোন্থগী থবক পায়খৎলিবা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনসু জৱাহরলাল নেহরুগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রনব মুখর্জী অমসুং হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ য়াওনা লুচিংবা কয়া সান্তি ভানদা লাক্তুনা নেহরুগী নীংশিং খূভমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বী শিলা দিক্সিট অমদি ষ্টেট কোংগ্রেসকী মকোক অজয় মকেন য়াওনা পার্টি অসিগী মরুওইবা লুচিংবা কয়াসু নেহরুগী নীংশিং খূভমদা লাক্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎলখি।

কুমজা ১৯২৩ গী সেপ্টেম্বর ২৫ দা নভা সেন্ট্রেল জেলদা লৈরিঙৈদা জৱাহরলাল নেহরুনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি, লৈবাক্কীদমক বৃটিশ লৈঙাক্কী মায়োক্তা লেপ্লুবগী মহয় ওইনা জেলদা ফাজিন্দুনা থম্লবসু মখা তানা লৈবাক্কীদমক হনবা লৈতনা চঙশিনখিগনি।

পন্দিট নেহরুনা লৈবাক অসি শেমগৎনবা হোৎনবদা লৌখিবা থৌদাংশিং নীংশিংদুনা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদসু নেহরুগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখি।

চৈরকসিদা, দিল্লিগী হিষ্টোরিয়ন মোহিন্দর সিংহনা অকালি মুভমেন্ট হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমদা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা নেহরু অমদি পঞ্জাবকী মরক্তা লৈনবা মরী নীংশিংবীদ্রে।

কুমজা ১৯২৩ দা কোংগ্রেসকী অখন্নবা মীফম অমনা লৌখিবা ৱারেপ মতুংইন্না নেহরুনা গীদৱানি অমসুং শান্তনমদা লাক্তুনা পোলিটিকেল দিভলপমেন্টকী মতাংদা পাউ লৌখি।

কুমজা ১৮৮৯ গী নবেম্বর ১৮ দা পোকখিবা নেহরুনা নীংতম্লবা ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবনি। জৱাহরলাল নেহরুগী মপোক নুমিৎপু লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা অঙাংশিংগী নুমিৎ হায়না থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকখি।

# মিজোরামদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিজ এক্ট রিপিল তৌখ্রে; এম এল এ ১৭ কী লাইবক তন্বা ঙমদ্রি

আইজোল, নবেম্বর ১৪(এজেন্সী): নুমিৎ হুম্নি চথুগদবা মিজোরাম লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীফম হৌবা নুমিৎতা ঙসি 'মিজোরাম পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিজ (এপোইন্টমেন্ট, সেলরিজ, এলা-ৱেন্স এন্দ মিসেলেনস প্রোভিজন্স) এক্ট, ২০০৯' রিপিল তৌখ্রে।

হাউসকী লীদর ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর লাল থনহোলানা পুখৎলকখিবা দি মিজোরাম পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিজ (এপোইন্টমেন্ট, সেলরিজ, এলাৱেন্স এন্দ মিসেলেনস প্রোভিজন্স) (রিপিল) বিল, ২০১৭ লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মেম্বর খূদিংমক্না মোত অমত্তা ওইনা য়ানদুনা পাস তৌখি।




মমাঙদা সুপ্রিম কোর্টনা দি অসাম পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিজ (এপোইন্টমেন্ট, সেলরিজ, এলাৱেন্স এন্দ মিসেলেনস প্রোভিজন্স) এক্ট, ২০০৪গী মতাংদা ৱায়েল অমা পীখ্রবা মতুংদা ষ্টেট অসিগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি তরেৎমক ফম থাদোকপা লৈখ্রবনি। পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী ফম থাদোকখ্রবা এম এল এশিং অদুদি কে এস থাঙ্গা, ঐচ জোথাংলিয়ানা, লেফটনেন্ট কর্নেল জেদ এস জুৱালা, কে লালরিনথাঙ্গা, টি টি জোথানসঙ্গা, মিংদাইলোভা খিয়াংতে অমসুং জোসেফ লালহিমপুইনি। হাউসনা লৈখিদ্রবা হান্নগী লেজিসলেটর অহুম জাখু লাইকো, এফ লালজুৱালা অমসুং কর্নেল লালচুংনুঙ্গা সাইলোগী মফমদসু ইকায় খুম্নবা উৎখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা ওগষ্ট ৩০ দা মিজোরামগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি তরেৎমক্না পীশিনখিবা ফম থাদোকপগী চেরোলশিং চীফ মিনিষ্টর লাল থনহোলানা অয়াবা পীখ্রবনি।

চৈরকসিদা, মেঘলায়াগী গভর্ণরনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী ফম থাদোকখ্রবা ষ্টেট অসিগী লেজিসলেটর ১৭ কী মরাইবক গভর্ণরনা লেপ্লগনি।

রাজ ভবনগী ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, গভর্ণর গঙ্গা প্রসাদনা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং এসেমব্লিগী স্পিকরনা হীরম অসিগী মতাংদা পীরক্কদবা রিপোর্ট ঙাইরি।

হৌখিবা নবেম্বর ৯ দা মেঘলায়া হায় কোর্টনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি খনবগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

চীফ জষ্টিশ দিনেস মহেশ্বরি অমসুং জষ্টিশ বেদ প্রকাস বাইসকী দিভিজন বেঞ্চ অমনা পি আই এল অমা হিয়ারিং চথুরবা মতুংদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি খনবা য়ারোই হায়না ৱায়েল পীখি। পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং এম এল এ ফমদগী তোকহনবগী মতাংদা গভর্ণরনা ৱারেপ লৌজগদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অদুনা ফোঙদোকখি।

হায় কোর্টকী য়াথং ফংলবা মতুংদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ১৭ মফম থাদোকখি। নবেম্বর ৯গী ৱায়েল অদুনা মরম ওইরগা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ১৭ ফম থাদোকখিবনি।

ফম থাদোকপগী ৱাফম অয়াবা পীখ্রবা চীফ মিনিষ্টর মুকুল সংমানা হায়খি, ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মতুংইন্না পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি খনবগী থৌরাং লৌখৎখিবনি।

# মুস্লিম পার্সনেল লো বোর্দনা রবি শঙ্করগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৪(এজেন্সী): আর্ট ওফ লিভিংগী ফাউন্দর শ্রী শ্রী রবি শঙ্করনা অযোধ্যাগী ৱাথোক লোইশিনহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংগনি হায়খিবা ৱাফম অমবু মুস্লিম পার্সনেল লো বোর্দনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

রবি শঙ্গরনা হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ উনদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যনাথকা উননবা থৌরাং তৌরি।

অযোধ্যাগী ৱাথোক লোইশিন-হন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংলকপা পূম্নমক তরাম্না ওকই হায়না যোগী অদিত্যনাথনা ফোঙদোকখিবা লৈবনা হন্দক রবি শঙ্করনা য়ু পিগী চীফ মিনিষ্টরগা উনগদৌরিবা অসি য়াম্না মরুওই হায়না লৌনরি।

হীরম অসিগী মতাংদা অখিল ভারতিয়া অখরা পরিষদকী প্রসিদেন্ট মহন্ত নরেন্দ্র গীরিনা হায়খি, রবি শঙ্করবু লাইনিংবা মীওই অমা ওইনা লৌফম থোক্তে। অচৌবা এন জি ও অমা লিংখৎতুনা শেল তাল্লিবা মীওই অসিনা মীয়ামগী মীৎয়েং চিংশিন্নবগীদমক অযোধ্যাদা মীৎয়েং চঙলকপনি। পনবা য়াবদি, কোংগ্রেসনা রবি শঙ্করবু গভর্ণমেন্টকী এজেন্ট অমনি হায়না মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। অয়াম্বা মতমদা গভর্ণ-মেন্টকী মায়কৈদা লেপ্পুনা ৱা ঙাঙবা অমসুং থৌরাং কয়া লৌখৎলিবা মীওই অসি গভর্ণমেন্টনা থাদোকপা এজেন্ট অমা ওইনা লৌফম থোকই হায়না কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখি। সুপ্রিম কোর্টনা দিসেম্বর ৫ দা য়েৎনরিবা অযোধ্যাগী মতাংদা অরোইবা হিয়ারিং চথনবা থৌরাং তৌরিবনি।

কনামত্তগী থৌইনশিন য়াওদনা রাম টেম্পলগী মতাংদা লৈরিবা চয়েৎনবা পূম্নমক কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎ-পনি হায়না স্পিরিচ্যুএল লীদর শ্রী শ্রী রবি শঙ্করনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। নবেম্বর ১৬ তা অযোধ্যা চৎতুনা মরী লৈনবা পূম্নমক্তা ৱারী শানরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

আর্ট ওফ লিভিংগী ফাউন্দর শ্রী শ্রী রবি শঙ্করনা উত্তর প্রদেশ সিয়া ৱাকফ বোর্দকী লূচিংবা ৱাশিম রিজবিগা উনদুনা অযোধ্যাগী মতাংদা ৱারী শানবা লৈখ্রবনি।

রবি শঙ্করগী মফমদা থাজবা থম্লদুনা সিয়া ৱাকফ বোর্দকী লূচিংবনা হায়খি, লৈবাক্কী মীপুম খূদিংমক্না ঈকায় খুম্নরিবা শ্রী শ্রী রবি শঙ্করনা য়েৎনরিবা অযোধ্যাগী মতাংদা অরোইবা ৱারোইশিন অমা শোয়দনা পুরকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

আর্ট ওফ লিভিং ফাউন্দেসননা অচার্য্য রাম দাস য়াওনা তোঙান তোঙানবা স্বামি অমসুং ইমাম কয়াগা উনখ্রবা মতুংদা রবি শঙ্করনা ৱাশিম রিজবিগা উনদুনা অযোধ্যাগী মতাংদা ৱারী শানখিবনি।

হৌখিবা ওগষ্ট থাদসু উত্তর প্রদেশকী সিয়া সেন্ট্রেল ৱাকফ বোর্দনা য়েৎনরিবা অযোধ্যাদগী খরা লাপথোকপা মুস্লিমশিংনা নম্না খুন্দাবা মফম অমদা মোস্ক অমা শাবদা অকায়বা লৈতে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

রবি শঙ্করনা অযোধ্যাগী মতাংদা ৱায়েনবগী রাইট লৈতে হায়না বি জে পিগী এম পি ওইরম্বা রাম বিলাশ বেদান্তিনা মমাঙদা ফোঙদোকখ্রবনি।

# জে এন্দ কেদা মিলিটেন্ট ১, জৱান ১ শিখ্রে

শ্রীনগর, নবেম্বর ১৪(এজেন্সী): জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কুলগাম দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি থোকখিবা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক অমদা আর্মি জৱান অমা অমসুং মিলিটেন্ট অমা শিখ্রে। পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতসু সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসন কন্না চথুরি।

আর্মিগী ছোর্স অমনা হায়খি, কুলগাম দিষ্ট্রিক্টকী নাওবগ কুন্দদা খূৎ থোক্নখিবদা লান্মী অমা ফীভম থীনা শোকখি। অশোকপা লান্মী অদু হোস্পিটালদা পুখৎলবা মতুংদা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি। থৌদোক অদুদা মিলিটেন্ট অমসু নোংমৈনা পানবদগী শোকখি।

পুলিস ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি, সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমা ফংবদগী পুলৱামাদা থিবা-হুম্বগী থবক চথুরিঙৈদা নাকল অনী খূৎ থোক্নরকখি।

আর্মি, পুলিস অমসুং সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ)কী অপূনবা টিম অমনা কুলগামদসু মিলিটেন্টশিং ফানবা থিবা-হুম্বগী থবক চথুখি। নোর্থ কাশ্মীরগী হন্দৱারাদা পুলিস চেক পোইন্ট অমদা এটেক চথুরকখিবা লোকল মিলিটেন্ট অনী হাৎখ্রবা মতুংদা মখা তাবা থৌরাং ওইনা থিবা হুম্বগী থবক চথুখিবনি।

মমাঙদসু সাউথ কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা টেররিষ্টশিংনা পুলিস টিম অমদা এটেক চথুরকপদা পার্সনেল অমা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা অমা অশোক-অপন নংবা লৈখ্রবনি।

পুলৱামাগী রাজপোরা পুলিস ষ্টেসন মনাক্তা টেররিষ্টশিংনা পুলিস টিম অমদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চথুরকখি। থৌদোক অদুদা পুলিস পার্সনেল অনী অশোক-অপন নংখি। অশোকপা অমা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরবা মতুংদা লৈখিদবনি।

মমাঙদসু পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা চিংনবা মফম অমদা থিবা-হুম্বগী থবক চথুবদা টেররিষ্টশিংগা খূৎ থোক্নরকপদগী সিক্যুরিটি পার্সনেল অনী অমসুং জাইস-ঈ-মহমদকী মিলিটেন্ট অমা শিখ্রবনি।

ওক্টোবরদসু বন্দিপোরা দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক অমদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা টেররিষ্ট অনী নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবনি।

বন্দিপোরাগী হজিন এরিয়া মনুং চন্না লৈবা মির মোহলাদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা মীওই কয়া থোরক্তুনা সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা নুঙ লংশিল্লকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মিলিটেন্টশিংগী লোৎফম অমা তম্না চঙশিল্লকপদা মিলি-টেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী নাকল অনী খূৎ থোক্নখিবনি।

# ইন্দিয়ানা সুখোই ফাইটর জেটতগী ব্রহ্মোস চাংয়েং তৌগদৌরি



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৪(এজেন্সী): য়েক্নবগী ঙমখৈ লান্না এটেক চথুবা ঙম্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়ানা থা অসিগী মনুংদা সুখোই ফাইটর জেটতগী ব্রহ্মোস ক্রুজ মিসাইল চাংয়েং তৌগদৌরি।

ছোর্স অমনা হায়খি মদুদি, ফাইটর জেটতগী মিসাইল চাংয়েং তৌনবগী মতাংদা শেম-শাবা লোইরে। সুপরসোনিক ক্রুজ মিসাইল অমা ফাইটর জেটতগী চাংয়েং তৌবা হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরগনি। করিগুম্বা চাংয়েং অসিদা মায় পাকপা থোক্লবদি ইন্দিয়ানা য়েক্নবগী ঙমখৈ লান্না নোংথক্তগী অরায়বা মওংদা এটেক চথুবা ঙম্লগনি।

মমাঙ চহীদা সুখোই ফাইটর জেটশিংনা ব্রহ্মোস মিসাইল পুরগা খোঞ্জেলগী অয়াঙবদগী শরুক অহুম হেন্না য়াংনা পাইবা ঙমখ্রবনি। থৌরাং অদুগী মখা তারকপা ওইনা থা অসিগী মনুংদা ফাইটর জেটতগী মিসাইল কাপ্পুনা চাংয়েং তৌনবা থবক পায়খৎলকখিবনি।

দিফেন্সকী লম্দা খঙ হৈরবা এক্সপর্টশিংনা হায়খি মদুদি, ইন্দিয়ন এয়রফোর্সনা সুখোই অমদি ব্রহ্মোসকী মতেং লৌরগা য়েক্নবগী ঙমখৈ লান্না এটেক চথুবা ঙম্লগনি।

মমাঙদা ইন্দিয়ানা ব্রহ্মোস মিসাইলশিং কিলোমিটর ৪৫০ শান্না কাপ্পা য়াহন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎপা লৈখ্রবনি। দিফেন্স রিছার্স দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও)না হায়খি মদুদি, ব্রহ্মোস ক্রুজ মিসাইলগী অয়াঙবা অমসুং রেঞ্জ হেনগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা তারবসু অগ্নি মিসাইলগী মতাংদদি অশানবা হেনগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা লৈতে। অগ্নি মিসাইলনা কিলোমিটর ৫০০০ হেন্না কাপ্পা ঙম্বা মরম্না মিসাইল অসিগী অশানবা হেনগৎ-হনবগী মথৌ তাদে হায়না দি আর দি ওনা ফোঙদোকখি। অদুমওইনমক ব্রহ্মোসতি কিলোমিটর ২৯০ দগী হেন্না কাপ্পা য়াদবা মরম্না কিলোমিটর ৪৫০ য়ৌহন্নবা হোৎনগনি হায়রি।

# দিল্লি গভর্ণমেন্টকী রিভিয়ু পিটিসন এন জি টিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৪(এজেন্সী): দিল্লি গভর্ণমেন্টনা ওদ-ইভন স্কিমদা কাংখোঙ অনী পানবা গাড়ী য়াওহন্দনবগী মতাংদা ফাইল তৌরকখিবা রিভিয়ু পিটিসন অমা নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি)না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।



কাংখোঙ অনী পানবা গাড়ীনা নুংশিৎ মোৎহনবগী চাং ৱাংহল্লি হায়বা রিপোর্ট অমা পল্লদুনা এন জি টিনা হায়খি, দিল্লি গভর্ণমেন্টনা ফাইল তৌরকখিবা রিভিয়ু পিটিসন অদু খূদক্তা লৌথোক্কদবনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা দিল্লি গভর্ণমেন্টনা ফাইল তৌরকখিবা রিভিয়ু পিটিসন অমদা কাংখোঙ অনী পানবা গাড়ীশিং অমসুং নুপীনা থৌবা গাড়ীশিংবু ওদ-ইভন স্কিমগী মনুং চলহনবীদনবা ফোঙদোরকখিবনি।

করি মরমগী কাংখোঙ অনী পানবা গাড়ীশিং কোমথোক্কদৌরিবনো হায়না হংলদুনা এন জি টিনা হায়খি, তোঙান-তোঙানবা রিপোর্ট কয়াদা কাংখোঙ মরি পানবা গাড়ীদগী কাংখোঙ অনী পানবা গাড়ীনা নুংশিৎ মোৎহনবগী চাং ৱাংই হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে। মরম অদুনা ওদ-ইভন স্কিম চৎনহনবা মতমদা কাংখোঙ অনী পানবা গাড়ীসু য়াওহনগদবনি।

অমরোমদা, পোল্যুসন থোকপগী চাং হন্থহন্নবা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎতে হায়বগীদমক এন জি টিনা দিল্লি গভর্ণমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

এন জি টিনা হায়খি, নুংশিৎতা য়াওবা অমোৎপগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকপা মরম্না অঙাংশিং লংসতা ইনফেক্সন তৌবা য়াবগী রিস্ক ৱাংখৎলক্লি। মরম অদুনা দিল্লি গভর্ণমেন্টনা খূদক্তা অখন্নবা থৌরাংশিং লৌখৎপা মথৌ তারে।

অৱাং থংবা ইন্দিয়াদা পোল্যুসনগী চাং ৱাংখৎলকপগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা উত্তর প্রদেশ, হরিয়ানা, পঞ্জাব অমসুং দিল্লি গভর্ণমেন্টতা নোটিশ থাবা লৈখ্রবনি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসি ইমর্জেন্সিগা মান্নরে হায়না পল্লদুনা এপেক্স কোর্টনা হায়খি, খূদোংচাদবা অসি কোকহন্নবগীমক মরী লৈনবা পূম্নমক্না খূদক্তা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎফম থোকই। অৱাং থংবা ইন্দিয়াদা হন্দক মরক নুংশিৎ মোৎপগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা লৌখৎপা থৌরাং পূম্নমক অরেম্বা তাখি।

দিল্লি অমসুং অকোয়বগী মফমশিংদা পোল্যুসনগী ৱাথোক কোকহন্নবগী-দমক মপূং ফাবা থৌরাং অমা লৌখৎপা তঙাইফদ্রে হায়না এপেক্স কোর্টনা ফোঙদোকখি।

ইন্দষ্ট্রিএল য়ুনিটশিংদা মৈখূ থোকহনবা লেপহনগদবনি হায়রিবসি দিল্লি খক্তদা নৎতনা রাজস্থান, উত্তর প্রদেশ অমদি হরিয়ানাদসু ঙাক্না চৎকদবনি। অৱাং থংবা ইন্দিয়া, মরুওইনা দিল্লিদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা মীওইবগী হকশেলদা চাওনা খূদোংথীনিংঙাই ওইরে। পোল্যুসনগী চাং হন্থহন্নবা তোঙান-তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎপদা কান্নবা ফংদ্রে। দিল্লি গভর্ণমেন্টনা ওদ-ইভন স্কিম চৎনহন্দুনা লম্বীদা চেল্লিবা গাড়ী মশীং হন্থহল্লবসু পোল্যুসন থোকপগী চাং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি।

নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেনগৎলক-পদগী য়ুনাইটেদ এয়রলাইন্সনা নেৱার্ক-তগী দিল্লি তম্না পাইগদবা ফ্লাইটশিং মতম খরগী ওইনা লেপহনখ্রবনি।

পব্লিক হেলঠ ইমর্জেন্সি লাউথোক-খ্রবা দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেনগৎলকপা মরম্না ফ্লাইট সার্ভিস লেপহল্লে হায়না য়ুনাইটেদ এয়রলাইন্সগী স্পোক্সপার্সন অমনা ফোঙদোকখি।

দিল্লিগী মফম পূম্নমক লৈচিল-নোংফাই থাংবগা লোয়ননা উবা ঙম্বগী চাং হন্থরকখি। দিল্লিগী লোধি রোদ এরিয়াদা পার্টিক্যুলেট মেট্টরগী চাং ৫৬০ য়ৌরকপগা লোয়ননা মীওইবগী হকশেলদা কা হেন্না খূদোংথীনিংঙাই ওইরে হায়না সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। পোল্যুসনগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকপদগী দিল্লিদা আই এম এনা পব্লিক হেল্ঠ ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রবনি।


**/LABOUR পামজে**

য়োৎ অমদি সিমেন্ট দুকানগী লেবর পামজে। থবক শুবীনিংবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক নম্বরশিং অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

**Contact : ☎ 9856215491 / 7005637690**
**Ayangpali Road, Near Leima Keithel**
HL-P/093/15&19



**/ JOBS WITHOUT DEPOSIT**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Marketing Manager (**M/F**) | **10** | Graduate | ₹15000 to 30000 |
| 2. | Asst. Marketing Manager (**M/F**) | **15** | 10+2 | ₹10000 to 15000 |
| 3. | Security Guard (**M/F**) | **30** | VIII | ₹ 5000 to 7000 |
| 4. | Field Executive (**M/F**) | **30** | Matric | ₹ 5000 to 10000 |

Interested candidates may kindly visit the office between 10:00 am to 5:00 pm for the application form @ ₹ 200.

☎ **7005707412**
☎ **8415092124**

**MANAGER**
**TIMES GROUP**
3rd Floor below Security Office
Near Sangai Hotel, Nagamapal
HL-P/096/15


**NAME CHANGE DECLARATION**

I, hereto known as Akoijam Sanjoy Singh son of Mr. Akoijam Shamu Singh, a self employed, residing at Thoubal Mayai Leikai, PO & PS Thoubal, Thoubal District, Manipur have changed my name and shall hereafter be known as **Akoijam Sanjoy Meetei,** vide Affidavit No. **03AA 075772, dated 14th Nov., 2017.** It is certified that I have complied with other legal requirements in this connection.

*Sd/-* **Akoijam Sanjoy Meetei**
Thoubal Mayai Leikai, PO & PS Thoubal
☎ **8414819557**
HL-B/4216/15

**OFFICE OF THE**
**JIRIBAM MUNICIPAL COUNCIL**
**JIRIBAM, MANIPUR**

**NOTIFICATION**

Jiribam, the 14th November, 2017

**No.33/SEP-NULM/2015:** With reference to letter No. 8/26/2016-MUDA, dated, the 2nd November, 2017, the Jiribam Municipal Council, Jiribam Manipur will provide financial assistance to the unemployed urban poor (BPL/AAY/Annapurna families) under SEP of Day-NULM for the year 2017-18. The interested individual or group may apply it on or before the 20th November, 2017. The details information can be had from the office of the Jiribam Municipal Council, Jiribam, Manipur during Office hour (10 a.m to 4 p.m).

*Sd/-* **M. Rajen Singh**
*Chairman,* **Task Force,**
Jiribam Municipal Council
Jiribam, Manipur
HL-B/4215/15

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, IMPHAL EAST-II**

***Ref:- Mut. Case No. 367/ASO-IE-II / 2017***

Nitin Kumar Thokchom S/o (L) Thokchom Biren Singh of Keisampat Keisam Leikai. ... *Petitioner*

-Vs-

Late Thokchom Biren Singh S/o Netei Singh of Keisampat Keisam Leikai. ... *O.P.*

**/NOTICE**

Date 14/11/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি। মদুদি খুল নম্বর ৯১- মৈতে লাঙ্গোল লৈকায়গী পাট্টা অরিবা নং ২০৩ অনৌবা পাট্টা নং ৫২৩/৮৫৯ দাগ নং ২০৭/৪৭৪ এরিয়া ০.১০২১ হেক্তর চাওবা লম অমসুং ৯১ নং মৈতে লাঙ্গোলগী পাট্টা নং ৩৪ অরিবা, অনৌবা পাট্টা ৫৫৩/৯২৮ দাগ ২০৮/৫০৬ এরিয়া ০.০৩৩৯ ইঞ্চোল লমশিং অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা পেটিস্নর অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা পাট্টাশিং অসিদা পেটিস্নর অসিনা মমীং পানবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইঞ্চোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি লাক্লিবা তাং ২১/১১/২০১৭ ইং, ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরো নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি, তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

*Sd/-* **Assistant Survey & Settlement Officer, Imphal East-II**
HL-P/095/15

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DEPARTMENT OF SOCIAL WELFARE**

**N O T I F I C A T I O N**

Imphal, the 14th November, 2017

**No.10/184/2006-SW(HW)Pt:** It is hereby informed that assessment camps will be held for i) issue of Disability Certificate, ii) Assessment of nature of Disability for providing appropriate Aids and Appliances subsequently for Persons with Disabilities.

| Sl. No. | Venue | District | Date | Time |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Liberal College, Luwangsangbam | Imphal East | 16/11/2017 | 9 am to 4 pm. |
| 2. | District Hospital Ukhrul | Ukhrul | 17/11/2017 | 9 am to 4 pm. |
| 3. | CHC Kakching | Kakching | 18/11/2017 | 9 am to 4 pm. |
| 4. | District Hospital Thoubal | Thoubal | 20/11/2017 | 9 am to 4 pm. |
| 5. | CHC Kangpokpi | Kangpokpi | 22/11/2017 | 9 am to 4 pm. |
| 6. | District Hospital Senapati | Senapati | 23/11/2017 | 9 am to 4 pm. |
| 7. | CHC Wangoi | Imphal West | 24/11/2017 | 9 am to 4 pm. |
| 8. | District Hospital Churachandpur | Churachandpur | 27/11/2017 | 9 am to 4 pm. |
| 9. | District Hospital Bishnupur | Bishnupur | 28/11/2017 | 9 am to 4 pm. |
| 10. | CHC Nungba | Noney | 29/11/2017 | 9 am to 4 pm. |

Further, it is also informed that whoever desires to get the benefits of the camps should come along with the following documents.

| For disability certificate | For aids and appliances |
|---|---|
| (i) Two colour passport size photograph | (i) Aadhaar Card or Acknowledgement receipt |
| (ii) Age proof certificate | (ii) Disability certificate |
| (iii) Residential proof certificate (Aadhaar, PAN, Ration Card, Certificate SDC elected persons) | (iii) Income certificate issued from competent authority |
| | (iv) One photograph (passport) |

*Sd/-* **Ms. Jacintha Lazarus**
Director, Social Welfare, Manipur
HL-B/4217/15&17 Nov.